
# ওঝা শীতলজিৎ অমদি রামলাল পাল হাইস্কুল নীংশিংলকপা



ওঝা রাজকুমার শীতলজিৎ




রামলাল পালগী স্কুল বেদজ

***পরিক্ষাদা*** পাকতক্লনা শিন্নবা, পরিক্ষাগীদমক খোঙবান চেন্নবসি মরুওইনা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী ফাইনেল এগজামিনেসনগী মতাং লাকপদা মণিপুরদা ঙসিদগী চহী খরগী মমাঙদা ওন্থোকপা মওং অমা থেংনখি। চাওরাক্লা ১৯৮০গী পরিং অসিদনা খরা কন্না ওইরমগনি খল্লি। শোক ১৯৭০গী পরিংদদি হায়রিবা মওং অসি কন্না থেংনরকখিদে। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লিংখৎপা স্কুল খরা ইম্ফাল ময়োন্দা মমিং লৈখি। নুপামচা ঙাক্তনা তম্বা স্কুলশিংগী মনুংদা সি সি হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, জোনষ্টোন হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, আর দি এস, তোম্বীসনা স্কুল, অনন্দ সিং একাদেমী, অসিনচিংবা অদুগা নুপীমচাগী ওইবা স্কুলশিংগী মনুংদা-তম্ফাসনা স্কুল, কেবল গার্লস, ইবোতোম্সনা স্কুল মমিং লৈরকখিবা ঙাক্তনি। অতৈ খরসু লৈখি। স্কুলশিং অসিগী মনুংদা গভর্মমেন্টনা মপুংফানদি লৌশিন্দ্রিবা, লাইরিক তম্বীবদা শিংথনখিবা স্কুলশিংগী মনুংদা রামলাল পাল হাইস্কুল অসিসু অমা ওইখি। পঞ্জরিবা খরসি অঙনবা মতম ১৯৭০ ফাওবগী পরিং ফাওবদা কন্না হিদান্নখিবা, অফবা মহৈরোয় পুথোক্লখিবা স্কুলশিংনি। মতম অসিদা লন্নাই প্রাইভেৎ স্কুলগী মমিংসি কয়া তাখিদে। এদেদ হায়দুনা গভর্ণমেন্টনা খঙবিদুনা চলাইবা স্কুল মশীংসু য়ামদে। নুপামচা স্কুলশিংগী মনুংদা রামলাল পাল হাইস্কুল অসি হাইফেৎ মমিং লৈখিবা স্কুল ওইখি। রাম লাল পাল হায়স্কুলদা লাইরিক তম্নবগী মিং চনবা ফংবা অরায়বা ওইখিদে। এন্ট্রান্স টেষ্ট য়াওবা তায়। স্কুল অসিগী তোপ তোপ্পা চৎন পথাপ খরা লৈখি। অতৈ স্কুলশিংগীসু মাগী মাগী চৎন-কাংলোন লৈনরগসু,রাম লাল পাল হায়স্কুলগা অতৈগা মান্নদবা য়াম্না থেংনখি।

রামলাল পাল হায়স্কুল ১৯৩৩ দা লিংখৎপনি। স্কুল অসিগী মিং পল্লকপদা হায়রকপদা ওঝা শীতলজিৎপু নীংশিংঙি। ক্বালিটি এদুকেসনগী মতাংদা মণিপুরদা ফনা য়াম্না নৈনখ্রে। ‘ক্বালিটি এদুকেসন’ হেক হায়রকপদসু অমুক ওঝা রাজ কুমার শীতলজিৎ নীংশিংদবা ঙমদে। অঙনবা মতমদা, স্কুল অসিদা মমিং লৈখিবা ওঝা কয়ানা তাকপী তম্বীরকখিবা অমদি অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোকখিবগী পাউ থেংনখি। রাম লাল পাল হায়স্কুল হায়রিঙৈ, শোক ১৯৭০গী পরিং মখা চৎথরকপা ঐখোয়না তমজরকপা, থেঙনজরকপা চহী ১৯৭৪ স্বাইফাওবসি স্কুল অসিগী ওইনসু মরুওইবা চহীনি হায়না লৌজৈ। ওঝাগা মহৈরোয়গা লৈনবা মরী, থক্সি-খাসি অমদি স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা হোৎনখিবা কয়া অসি শীংথানীংঙাই ওই। পূম্নমক অসিগী মরুওইবদি ওঝা রাজকুমার শীতলজীৎনি। ওঝানা কূপ্না শেন্নখিবা, মহাক্কী মিৎয়েং মখাদা স্কুল চলাইরকখিবা মহাক্কী ওইবা তোপ তোপ্পা টিচিং মেথত কয়া অদুগী মহৈনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অঙনবা মতমদা রামলাল পাল স্কুলদা তমলকখিবা মহৈরোয়শিংনা ওঝাবু য়াম্না কিজনা অমদি নোল্লুক্লা চৎলকখি। শোক ১৯৭৪ ফাওবগী মতমদুগী স্কুলদা তমখিবা ক্লাস নাইন-টেনগী ইংলিসকী টেক্সবুক অসি **এন এন্থোলোজি ওফ ইংলিস প্রোজ এন্দ পোইট্রি** নি। টেক্সবুক অদুগী মনুংদা তমখিবা ৱারেংগী মনুংদা **দ টেম্পেষ্ট, দ ইম্প এন্দ দ পিজেন্টস ব্রেদ, ইমিটেটিং দ ইংলিস জেন্টলমেন্ট,স্প্রিদিং ওফ নোলেজ, মেন ইটরস ওফ কুমওন,ড লাষ্ট লেসনগী** পারাশিং ঙসিসু নীংশিংলি। শৈরেংগী শরুক্তা **সি ডুয়েল্ট এমং দ অন্ত্রোদন ৱেজ, পাইপিং দাউন ড ভেলিজ ৱেল, দ চার্জ ওফ লাইটব্রিগেট, ইকোয়িং গ্রীন, সিলভর, মে মেরিলিজ, হোম ডে ব্রাউদ হার ৱারিয়র দেট** অসিনচিংবনি। মরুওইবা ৱারেংশিং অমদি শৈরেংশিং অসি ওঝা শীতলজিৎনা খল্লগা তাকপীরকখি। রাম লাল পাল স্কুলদা সিষ্টেম অমখক লৈরম্মী। থাগী পরিক্ষাগী প্রোগ্রেস রিপোর্ট মহৈরোয় মশাদা পীদে। য়ুম য়ুমদা স্কুল অথোরিতিগী মীওইনা পুরক্লগা ইমুং-মনুংদা থিল্লক্তুনা খঙহল্লে। মহৈরোয় অদুগী অৱাৎপা, অশেঙবা অদু মমা-মপা, ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা খঙজরবা মতুংদা মহৈরোয় ওইরিবা মচাশিংগী অৱাৎপা অশোনবা অদু হেন্না ফরক্লবা,হোৎনরক্লবগী মফম অমা পীহল্লি। লাইরিক তম্বদা ইমুং মনুংনা তৌগদবা য়েংশিনগদবা অৱাৎপা অদু ওঝানা নাকোয়ননা খঙহল্লি। থাগী পরিক্ষা,য়ুনিট টেষ্ট তৌবা মতমদা পাস মার্ক তারামঙা (১৫) ওই। পাউখুম অমদা হাফ মার্ক ( অমগী তঙ্খায় হায়বদি ½ মার্ক) পী। মার্ক লীক্লা পীবদা ওঝাবু কিনরম্মী। মণিপুর বোর্দকী ওইনসু ফাইনেল পরিক্ষাদা চাদা ৬০ ফংবা ৱানরম্মী। হৌজিক মতমদা মার্ক য়াম্না ৱাংনরিবা অসিগদি খেন্নবা চাউনা লৈরে। ঙসিদি চাদা ৮০/৯০ ফংবা হায়বসি ইরায় লায়না থোক্নে। সিষ্টেম খেন্নরে। মতাং অসিদা ময়াম্না **ক্বালিটি এদুকেসন** হায়নবা ৱাফম অমা পন্নে। হৌখিবা চহী খরসি ক্বালিটি এদুকেসনগী মতাংদা মেডিয়াদা য়াম্না ফোংদোক্লখিবসু লৈখি। মতাং অসিদা ওঝা শীতলজীৎনা হায়খিবা ৱাফম অমা নীংশিংলকই। **‘মহৈ তম্বদা ক্বালিটি এদুকেসন হায়বা অমা তোঙান্না লৈতে। ওজাশিংনা ক্বালিটি এদুকেসন হায়না খল্লগা স্কুলদা লাইরিক তম্বীরকখিদে। ওজাশিংনা তম্বীরিবসি হৈননবনি, খঙননবনি। ওঝাশিংনা হৈনবা খঙনবা তম্বীবদা লোয়না য়াওখ্রবনি।’**

ওঝা শীতলজিৎকী ৱাফমসি নৈনবা চুম্মী। অঙনবা মতমদা ক্বালিটি এদুকেসন হায়না শোন্নদ্রিঙৈ, ঙাঙনদ্রিঙৈদা অফবা মহৈরোয় য়াম্না পুথোকখ্রে। ঙসিগী অসুম্না স্কুল শঙ বিল্ডিংসু অফবা লৈতে, ফম্নবা ফানসু মওং তাদে। ব্লেক বোর্ড অমা, চোক অমা দষ্টর অমা অমদি ৱার্ল্ড মেপ অমা পুথোল্লগা লাইরিক তম্বীবনি। অৱাৎপগী অৱাৎপনা পীক থনবা মতম অদুদনা অফবা মহৈ পুথোকপা ঙমখি, ওঝাসু মশীং য়াম্না লৈবা নত্তে। খরখক অদুনা নীংথিনা হৈননবা তাকপীবা ঙম্মী। মদুদা ক্বালিটি এদুকেসনগী ৱাফম পন্নখিদে। হৌজিক্লা করম্না ক্বালিটিগী ৱাফমসি লাকখিবনো? ওঝা শীতলজিৎনা য়াম্না য়ানিংখিদবা ৱাফমনি। ওঝনা হিংলিঙৈ মতমদা ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালদা, মতাং অসিগী ওইনা নীংথিজনা ঙাঙখিবা লৈখি। তম্বীবগী মওং, হৌজিক্তা হায়রগা **টিচিং মেথট** হায়নরিবসি রামলাল পাল স্কুলদা ওঝা শীতলজিৎনা ঙন্তানা শীজিন্নখ্রে। ওঝাগী টিচিং মেথত অসিসু নৈননীংঙাই ওই। ক্লাসতা তাকখিবা পারা ঙসি ফাওবা ঐখোয়না কাওবা ঙম্নদে। ওঝা শীতলজিৎনা কুপশেন শেন্নরগা চলাইবা রামলাল পাল স্কুল ওইখিবনা মতম অদুগী ওঝাশিংসু অয়ৌবী থাক্তা মহৈরোয়শিংদা হৈননবা লাইরিক তাকখি। ওঝা শীতলজিৎনা হেদমষ্টর ওইরিঙৈদনি রামলাল পালনা হান্না লৈরম্বা মমিংদগী হেন্না লৈবা হেনখিবসি। ওজা শীতলজিৎ তুমিন্না লৈখিদে। অতৈ ওঝাশিংনা পেরিওদ লৌরিঙৈদা ক্লাস রুম থুংনবা কোইচৎ চৎলগা য়েংশিল্লি। থোংনাও মনাক্তা লেপ্লগা ওঝানা পারা তাকপদা মহৈরোয়শিংনা খোয়জংলিব্রা, ক্লাসতা ওঝানা কমদৌনা লাইরিক তাক্লি অনীমকসি তূনা য়েংশিল্লি। নোং ফাদোক কোয়না চৎলগা য়েংশিনবা নত্তে। পূং খুদিংগী, পেরিওদ খূদিংগীনি হায়বা য়াই। অদুনা, মহৈরোয়শিংসু ওঝাসু লোয়নমক চেকশিনখি। মরম চাদনা মহৈরোয় অমনা চাদা ১৫ কাদ্রবদি পার্সেন্টেজ শুদবদা চিংই। মহাক্কী এটেন্দেন্ট শুদ্রবদি পরিক্ষা থাবা য়াদবগী চৎনবীসু ঐখোয় থেংনখি। মদুগীদমক মহৈরোয়শিং চাং নাইনা স্কুল কাখি। ওঝা উরগা খুরুমদবা য়াদে। চন্দন থিন্দনা লাইরিক তম্বা কারকপা য়াদে। স্কুলগী বেদজ থেৎতবা য়াদে। স্কুলগী বেদজ অদু প্লষ্টিক্কী চা অঙৌবনা শাবনি। বেদজ অদুগী ময়াইদা ঙানু কাংঙা অমনা মচিন্দা উচেক মতুগী কলম মচিন চিকপা অমা লৈ, মদুগী অকোয়বা মথক্তা রাম লাল পাল হায়স্কুল ইম্ফাল, মণিপুর অদুগা মখাদা ওঝানা পামজবা সংস্কৃতকী শ্লোক অমা থারি। স্কুলগী য়ুনিফোর্ম মচু, ফুরিৎ খুদাং ককপী অঙৌবনি, খোংগ্রাউ হাপপেন্ট ব্লু-ব্লেকনি। খোংগ্রাও অশাংবা শেৎনরমদে। খুদাংদা ঘড়ি শিরকপা মহৈরোয় উখিদে। হাপপেন্ট খোংগ্রাউ অদুসু য়াম্না চোনবা য়াদে। চাওরাক্লা ইঞ্চি তারা মঙা/ তারা তরুক্তগী হেন্না চোন্নদে। মাইকৈ মাইকৈদগী মহৈরোয়শিংনা খোঙনা অয়াম্বা লাক্লবা ঙাক্তনি। মসি মতমদুগী চৎনবীনি। রামলাল পাল হায়স্কুল নুপামচাশিংতগী ওইবা স্কুলনি। লাইরিক তম্বীবসু ওঝা নুপা ঙাক্তনা তম্বীরকই,ওঝা নুপী য়াওরক্তে। পারিক্ষা হায়দোকপদা মাইক পাল্লগা লাওথোকই। স্কুলগী কম্পাউন্দ মনুং চঙখ্রবদি ৱাংমা লান্না থোকপদা অথিংবা লৈ। লৈপাক্কী থৌদোক-ৱাথোক্তা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিং য়াওহল্লক্তে। অতোপ্পা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা জেনরেল ষ্ট্রাইক্লচিংবা শৌগৎতুনা রাম লাল পাল স্কুল ক্লাস তৌদনবা থুগায়বা লাক্লবসু চঙহন্দে, থুগায়বা ঙমহন্দে। হৌজিক্কী মতম অসিদা ওইরবদি য়াররোই। অদুক্কী মতীক চেকশিনখি। ঐখোয়গী মতমদা ওল মণিপুর ইন্টর স্কুল কলচরেল মিট হায়বা অমা সরকারগী এদুকেসন ডিপার্মেন্টনা শীন দুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকলকই। স্কুলগী থাক্তা পাঙথোকপা মহৈ মশিংগা মরী লৈনবা থৌরমশিং ওইরবদি মাঙ থানা ওঝা শীতলজিৎনা য়াওহন্নবা হোৎনৈ।

রামলাল পাল হায়স্কুলদা অঙনবা মতমদা সংস্কৃট ক্লাস য়াওরকখি। ঐখোয়মক্তী তমলকখিদে। সবজেক্ট অয়াম্বা শুনবা স্কুল অসিদা তম্বা ফংনখি। ক্লাস নাইন-টেনগী সবজেক্টা অহেনবা ওইনা **মোরেল সাইন্স** হায়বা লাইরিক অমা হাপ্তুনা মহৈরোইশিংদা লমচৎ শাজৎ, থক্সি-খাসি, মীওইবগী মীনুংশি, ৱাখল লৌশিং ফগৎনবা অখন্নবা লাইরিক অমা তমহল্লকখি। **মোরেল সাইন্স** লাইরিক অদুদা য়াওবা পারা - **আউট ওফ সাইট আউট ওফ মাইন্দ,** উনবু উন্নদ্রবদি কাওরকই হায়বা পারা অমা নীংশিংলি। মসিগী কান্নবসি কোন্ন খঙলকখি। ওঝা শীতলজিৎনা অসিগুম্বা কান্নরবা লাইরিক অসি অখন্ননা রামলাল পাল স্কুলগী সেলেবসতা টেক্স অমা ওইনা হাপচিন্দুনা তমহল্লকখিবসি ওঝাগী অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননি খঞ্জখি। মহৈরোইশিংবু লাইরিক-লাইশু তম্না তম্না লুবা-নানবা, লাইনীং-লাইশোল,মসিগী মথক্তা থক্সি-খাসি,লমচৎ-শাজৎ, শাজেল কাঙলোনসু মরক্তা নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনখি। করিগুম্বা মতমদা অতৈ ওঝাশিংগী মহুৎ শিন্দুনা ক্লাস চঙবা য়াওখি। মদুদা হকশেলগা মরী লৈনবা অহেনবা পারা অমা ওইনা তাকলমখি। হকচাংগীদমক চেকশিনগদবা কয়া খঙহনবিরমখি। অসিগুম্বা ওঝাগী তোপ তোপ্পা টিচিং মেথটতা হাপচিল্লকখিবা কয়া অসিনা মহৈরোয় ঐখোয়দা অহেনবা মঙাল অমা ফংহনবা ঙমখি। অসুক কিনা লূনা খঞ্জবা ওঝা অসি ফাগিসু অদুম মতৌই। মহৈরোইশিংবু নোকহল্লি,নুংঙাইহল্লি। ঐখোয় কৈদৌঙৈদসু মনাক্তগী লাপথোকনিংখিদে অদুবু নকশিনবদি কৈদৌঙৈদসু ঙমখিদে। ওঝা শীতলজিৎনা রামলালপালগীদমক হোৎনখিবা কয়া ঙসিসু নীংশিংলি। ঐখোয়না ওঝাগী অরোয়বা মহৈরোয় ওইখি। ক্লাস টেন হায়বদু লোয়দুনা রাম লাল পাল থাদোকলকখি, ওঝাসু থবক্তগী পোৎথাখি। মতুং তারকপদা রামলাল পাল গভর্নমেন্টনা লৌশিনখি হায়স্কুলদগী হয়ার সেকেন্দরি ওনখি। ঐখোয়গী মতমদা ওঝা নুপা ঙাক্তনা তম্বীরকখিবা স্কুল অসিদা ওঝা নুপীসু ঙসিদি তম্বীবা য়াওরে হায়। নুতিগী ঐখোয়না তমলকখিবা স্কুল অসিগী মপা য়ৌরকপদা তম্বীরকখিবা ওঝাশিংবুসু লোয়নমক নীংশিংঙি। ওঝাশিংগী মফমদা কোক নোঞ্জরি। ওঝা উরগা খুরুম্বগী হৈনবীদু ঙসিসু মাঙদ্রি। হৌজিক্কী স্কুল অসিদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংদি করম তৌরমগদবনো খঙদ্রে। ঐখোয়না ক্লাস টেন থারমদাই, স্কুলগীসু অরোয়বা কাবা লোয়রকপা মতমদা,এম হেমেলগী -**‘দ লাষ্ট লেসন’** ওঝা শীতলজিৎনা অরোয়বা পারা ওইনা তাকপীখি। মরক মরক্তা নীংশিংবা নত্তনা নোংমা নোংমগী কাওবা হেল্লকই। কুইরবা তুংদা ঙসি খক্ত নীংশিংলকই ওঝাগী চেকশিনবা মতৌ। ওঝানা তাকপীখিবা মোরেল সাইন্সকী **অউট ওফ সাইদ অউট ওফ মাইন্দ,** উনবু উন্নদ্রবদি কাওরকই হায়বা পারা অদু ঙসিদি চুম্লরে।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

## পুন্সিগী মহাও

**—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—**

**পাইতু** খাও অমা পায়দুনা কুইরে থোইবনা হেস্পিটাল চঙফমগী নাকন্দুদা ফমদুনা লৈরিবা।

হোস্পিটাল মনুংদা মী কয়া অমা চঙখি, কয়া অমা থোরকই। হোবে-হোবে চেল্লকপা, হোবে-হোবে চেনথোকখিবা, ত্রোল্লিদা অনাবা ইন্দুনা পুশিনখিবা, পুথোকখিবা, মখূৎতা ডোক্তরনা ইবা হীদাক্কী চে পায়দুনা ফার্মাসি তম্না চেন্নরিবা, অশোনবা কয়া অমসু মীনা শন্বীদুনা পুশিনবীবা, পোরগা পুশিনখিবা, ঈ কাপকদবা অনাবগীদমক দোনর লৈতবদগী কনানা ঈ পীবিগদগে নুংশা থিরিবশিং ফমদুনা য়েংলি। ঙসাইদগী মানা উরিবা অদুক য়ামখ্রবা মীশিং অদু থোইদোক্লা নুংঙাই য়াইফগী মায়থোং অমত্তা উদে, পাখৎপা, চরাংনবা, অৱাবা মায়থোংনা অয়াম্বনি। সিফাই ময়াম্না মনিং মমাঙ য়োমদুনা অঙৌবা মচু ঙাক্তা শেৎপা মশা নানবা এম এল এগুম্বা ওইরম্বা য়াই হোস্পিটাল মনুংদা লাকমিন্নবশিংদুগা য়েৎ-ওই চৎমিন্নদুনা নোক-নোক্তুনা অমুবা অনোক্তুগা ৱা-ৱা নোক্তুনা চঙখিবসু উই। মাগী কেন্দ্রগী অনাবা হংবা চঙখিবা মাল্লি, মাগী মমায়দু থোইদোক্লা অনাবদুগী নুংঙাইতবা ওইরমদৌ মান্দে, হংবা চৎহৌদ্রদি ভোট মাঙগনি খন্দুনা তাৎ-পাৎতা লাকপা মাল্লি। অদু নৎত্রদবু, নোক খেদুনা হরাউনা হোস্পিটালদা লাক্কদরো, সিনেমা হোলসু নত্তনা। থোইবা লাক্লিবা মীয়ামদুসু য়েংই। তশেংনা মানা ঙাইরিবদি অতৈ নত্তে, হোস্পিটাল হেক চঙফমদা হৌরিবা উ পাম্বী অদুগী মখোঙদা থোকখিবশিংনা কে দল-ধুপ থাদুনা কবোক, কোমলা, শেম, শেল লুপা তরা নৎত্রগা অচোইবা পৈশা খরা কৎপদুনি ঙাইরিবনি।

নুপী অমা মখূৎতা হৈ-রা অমদি কেন্দল পায়দুনা উখোংদুদা চঙখি। থোইবা মমিৎ খংশিং শিংলকই। নুপীদু মানা শেৎলিবা ফনেক্তু ফিদোন চিংখৎলি, মকোক্তা ফি অমা কুপ্তুনা পূক্লিং চঙনা কেন্দল/ধুপ মৈখেৎ খেৎতুনা চুখৎলি। শেল লুপা ১০ চৎপী অমসু কৎলি। নুপীদু হোস্পিটাল অদুদা অমুক হন্না হঞ্জরক্লরোই হায়না খুরুম্বা ওইরমগগনি। থোইবা লৈতানা ফম্বা ঙল্লক্লে, ফুক হৌগৎলকই, মনাক্তুদা লিপৎ-লিপৎ চৎলি, নুপীদু হন্না য়েংলমদনা হৌগৎলি। নুপীদুনা হেক হৌগৎখিবগা মী খরনা মখূৎতা বালতিন, ফি ময়োম অমদি অতৈ পোৎ চৈ য়োম্বা ময়াম অমগা লোয়ননা থোরক্লিবা নাবা ফরবা অনাবদুগী মনাক্তা চঙশিন দুনা অদুম থোকখ্রে। মখোয়না হেক লান্থোকখিবগা থোইবা পোৎ কৎলিবা মফমদুদা চেনশিল্লকই। কৎলিবদু লৌহৌনবনি। মানা লৌগে হায়না শেমদু হেক পায়খৎপগা হোস্পিটালদুদা থবক তৌবা চৌকিদারগুম্বা ওইরম্বা য়াই মহাক্লা মখূৎ থাদরক্তুনা কোমলাদু লৌই। থোইবনা মীদুদা য়েংখৎলগা হায়জৈ,

“পাবুং হন্দক্কীসিমদি ঐ লৌজরগে, ঙসাইসু পাবুংনা লৌবিখি, ঐ ঙসিগী করিমক্তা ফংদ্রি”

চৌকিদারদুনা মখোন ইচাউ চাউরদনা ঙংলগা হায়রকই। য়ারোই কোমলাসিদি ঐ লৌরনি, ঙসাইগী নুপীদুনা কোমলাসি হেক পুথোকপগা ঐ চানিংবনা লোইরবনি।

কোমলাদু অহলদুনা লৌখ্রে, থোইবনা শেমদুগা, লুপা তরাদুগা লৌরে, কবোক্তুসু মপোপ কায়দনা মাগী খাউদুদা হাপচিল্লে। অদুগা মাগী খাউদুদা হাংদোক্তুনা য়েংলি। হান্নগুম মাগী ফমফমদা ফমদুনা পোৎ কৎলবা ঙাইরি। ফম্না ফম্না খল্লি,

“করিনো ঙসিসিবু দিসচার্জ ইতৌ তৌদ্রজাৎলা, পোৎ ইকৎ কৎলদেদা”

পুংখাই অমগী মতুংদা হোবে-হোবে মী অমা চঙলকই। মাগীদুদি অনাবা ফহনবীয়ু হায়না খুরুম্বা ওইরমাল্লে। লুপা তরাগা ধুপকা কৎলম্মী। মদুমসু থোইবনা চেনশিন্দুনা লৌশিল্লে। থোইবা হোস্পিটালদগী থোরক্লে। লম্বীদা চৎনা চৎনা খল্লি। মখোয়না খুরুম্লিবা লাইসিবু করি লাই ওইরজাৎনো? তৌবগীবুদি লাই হায়বসি মফম খুদিংদা লৈ হায়, ওইনীংবা অমা হেক্তা ওইরম্বা য়াই। খন্না খন্না কৈথেল য়ৌরম্লে। মমাগী পোৎফম মনাক্তা চঙশিল্লক্লে। মমাদু লম্বীগী মতায়দা চেরং মচা অমা থাদুনা পোৎ চৈ য়োল্লম্মী। য়োল্লিবা পোৎতু সিনি হায়বা লৈতে, অফং অফংবা পোৎনি। থোইবনা মমাদা পুরকপা হৈ-রাদু খাউদগী লৌথোক্তুনা পী, শেলদুসু মমাদা পীরম্মী।

“হায়মা, পুংসে আ য়ৌনা তারে, ওফিসকা চৎলরোইদ্রো?” মাগী নুপীনা কৌরকপদা থোইবগী ৱাখলগী মঙলান কায়খি। পোথা চৌক্রিদা ফমদুনা মহাক্কী হৌখিবা পুন্সিদা থেংনরকখিবা হিংবগী লান মরক্তা মহৈ তম্নবগী চঙশিল্লকখিবা তৌহৈদবা থবক কয়াশিং অদুগী চেনা মথং মথং হাইদোক্তুনা নীংশিংলম্বনি। থোইবা মাগী নুপীদা য়েংই। মমিত্তগী মপি চদুম চদুম তারম্মী। মদু উবদা মাগী নুপীনা ফমথরক্লগা পাখৎনা হংই,

‘কৈদৌবীরগে?’ মখূৎতুনা মাগী নুপাগী শিন্থরক্লিবা পিদু তৈথোক্লি।

থোইবনা মাগী নুপীদা নুংশিনা য়েংলগা, “সনারৈ, ঐগী পুন্সিসে য়াম্না নুংশি । ঐগী ইমানা লম্বীগী মতাইদা পোৎ য়োল্লগা ঐবু ইহৈ তমহল্লকই। ইমাদো ঐগীদমক য়াম্না ৱাজখি। লম্বী মতাইদা পোৎ য়োনবগী পুলিসকী লিচৈ কয়াগী চৈনা মহাক অয়ো হায়দনা খাঙজখি। ঐবু ইপুক থলহন্নবা হোৎনবদা মহাক নোংমতা মকোক চিকই হায়না হিপ্তুনা লৈখিদে। ঐবু ঙসি এম সী এস ওইহল্লক্লিবা অসি ঐগী ইমাননি। ইমাগী অৱাবা কয়া অদু ঐনা করম্না মাগী মতেং পাঙলকপগে হায়বদো ঙসি অয়ূকসিদা করম্না নীংশিংলকপনো খঙদে, ঐ পূক্লিং য়াম্না নুংশি”।

“সে খল্লুরনুসে, থেংঙে, ওফিস চৎনবা তৌরসি”

থোইবা হৌগৎলকই। মাগী নুপীনা করিনোমা ইকাউ কাউবগুম খংহাই হায়রকই।

‘ইহে ইমাগী ফিরোই কুইরম্মরোই, কমাইনা তৌগনি?’

‘ইমাগী ফিরোই নুমিত্তা ইবানি চৎতুনা লম্বীগী মতাইদা পোৎ য়োঞ্জরিবা ইমাশিং অদুগী মফমদা ফি অমমমতা ওইরবসু য়েল্লুসি, মদুনা ইমাগী থৱায়না পেঞ্জগনি, অনৌবা পুন্সিগী মহাও অমসু ফংজনি”।

সনারৈ, মঙক নোম্মী। তুংথা-মাঙথা চাকশঙলোমদা অদুম চঙমিন্নখ্রে।

## অমমাগী চেন্নাই, টামিল নাদু

*(হান্নগী মখা চথজরকপা...)*

মণিপুরগী মপান্দবু চৎলবদি করিগুম্বা খরা য়েংলকপা, করিগুম্বা খরা লৈরকপা মশানা তাবনি। ঐখোয়সু ইম্ফাল থাদোক্ত্রিঙৈদগী খন্নদুনা নোংমগী মতম লৌই, মার্কেটিংগী, লম কোয়বগী। অহানবা ওইনা য়েংবা চৎকদৌরিবা মফমনা মেরিনা বিচ। মেরিনা বিচ চহী ২৮ গী মমাঙদা য়েংখিবা, উখিবদু অমুক য়েংনীংলগসু ঙসি অসুক য়াম্না য়েংনীংবগী ইখৌ লাংলিবগী মরম লৈ। মেরিনা বিচতা লৈবা মতম অমগী টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা এম জি রামচন্দ্রনগী মোঙফমগী মচি অমদা, হিংলিঙৈদা মশানা হায়রম্বা অপাম্বা মতুং ইন্না হিন্দু লাইনীং লাইশোনগী ওন্না তৈনবদা, হন্দক ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাঙদা লৈখিদ্রবী কুমারি



জয়াললিতাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং লৈরোন চন্দুনা থম্বা মফম অদু য়েংনীংবদগীনি। টামিল মীয়ামদা নত্তনা মালেমগী মীপুম খুদিংবু শুমহৎপা ঙমখিবী শুমহৎয়াই পুবী মহাক - মশা ঙমদদুনা চেন্নাইগী এপোলো হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংবদগী হৌরগা মানা লৈখিদবা মতুং ফাওবা টামিল মীয়াম্না থেংনখিবা অৱা অনা ঙসিসু কোক্লমদ্রি। দুকান, চেকপলনচিংবশিংগী ফক্লাংদা অমমাগী মিৎশুম্বী মোমোন মীনোক্পা লোয়ননা ফোটো মশীং খঙদনা থেৎলমলি অয়াম্বা ওটো রিক্সোশিংগী মমাঙদা অমমাগী ফ্রেম চনবা ফোটোশিং থেৎনৈ। ৱাথোক ওইখ্রবী, মশাগী ইনকমগা চানদনা লন-থুম কা হেন্না লেপশিনবগী মরালদা মীয়াৎ তাদুনা কৈশুমশঙদসু লৈরুরবী মাবু, টামিল মীয়াম্না কয়াদা লুনা চান্না তৌরিবগী মরম ঐদি খঙদে, মরমদি লৈরমগনি।

নুমিদাংৱাইরম মতমনি চৎমিন্নরিবা ঐখোয় ময়াম মেরিনা বিচতা থুংলুবদু। জান্যুৱারী থা ওইবনা শাবদা লময়ৌরবা চেন্নাই অশাবা থোইনা ফাওদে। অদুগীসু মথক্তা পাক চাউরবা বে ওফ বেঙ্গলগী ইথক ইপোম হৌরবা পাক চাউরবা সমুদ্র খোংবাল মনাক্তনি। ইপাকলোমদগী হৌরকপা নুমিদাংৱাইরমগী অইংবা নামিবা নুংশিৎশু শাফু কন্না শিৎলি। পানখৎলকপী থাজসু নোংমদোনথক্কী লৈচিল থাংদ্রবা অতিয়াদা মঙাল ফুদোংনা ঙাল্লি। মরৈ মরৈ তারবা, পাক্লবা ঈথক ঈপোমদা লৈঙোইগী তোৰ্ব্বান্দুদা অমুক অমুক ঙাথু-থেংথুরম্লগা পাক্লবা ঈপাক্কা অমুক তিন্নখিবা- কায়নবা হায়বদু লৈত্রে মখোয়দদি। হে ঈপাক, হে সমুদ্র। তাইবঙ মীওইবনা নখোয়দগী তাংজফম কয়া লৌরিবা - ঈরোন্নুংদা লৈরিবা পুক্কে-লনগৈ ময়ামদগী হেন্দোক্তুনা অরাপ্পা মফম অমগা অমগা শেল ইতিং তিংদনা চৎথোক চৎশিন অমদি পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা। ঐ খঙই - করিগুম্বা নঙনা শাওদুনা সুনামিগুম্বা থোকহল্লবদি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়দা কয়াদা মীশি মীনা, অমাঙ অতা থোকহল্লিবা।

মেরিনা বিচকী লৈঙোই ঙাক্তগী পাক্লবা সমুদ্র খোঙবাল অদুদগী ইরাপ লাপ্তুনা উরিবা অরংবা মৈনা পুমঙান ঙাল্লিবা মফমদুদনি ঐখোয় অমুক চৎলিবসি। এম জি রামচন্দ্রনগী য়াতাফম ওইদুনা, চঙফমগী নিংথিনা লৈতেংলবা ৱাং চাউরবা হোজংগী মথক্তা মাগী মমিং ইজরগসু ঐদি হায়নীংই - অমমাগী অরোয়বা য়াতাফম! পাক চাউরবা লৈকোল অমগী মচু মখল মখল শুনা শাৎলিবা লৈনম চেল্লবা লৈরাংশিং, মনা পুংলবা উপাল-ৱাপাল, ঈশিং চাইবী মরক্তুদা - থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ওইনা নীংঙাইদনা য়াতাজরবসু কয়াদি ঈংনা চিক্লা নুংঙাইজরমগদবা। মদুনা ওইরম্বা য়াই - হকচাংদু পোৎলোয়দনা মফমদুদা লৈরোল চন্নবা হিংলিঙৈদা অমমানা হায়রম্বদু।

মসিমসু খঙই ঐ - জয়াললিতানা টামিল নাদুগী চহী লিশাং শিংনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ লুপা ক্রোর-ক্রোর থাদদুনা শেমজখিবনি লৈকোলগী মঙফম অসি - শাহজান্না মাগী নুংশিবী মমতাজগীদমক শাখিবা টাজমহলগুম! অমনা নুংশিবনা নুংশিবীগীদমক - মসিমনা নুংশিবীনা নুংশিবগীদমক। করিবু খেন্নরি। এম জি আর অমদি জয়া নীগী নুংশি ৱারী - টামিল ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিদা মতমদুগী লিদ পিয়র, সুপর ষ্টার ওইনা কুমখিবা মীয়ামগী থম্মোয় হৌজিকসু হুরিবা মশীং থিঙমদ্রবা ফিল্মশিং। করিগীদি থম্মোয় অনীদু নকশিন্নরম্লোই। এম জি আরদি য়ূম পান্দুনা নুপী অঙাং লৈরবনি, করম লৌনা-লৈনগনি? অমমানা য়ূম পানখিদবগী মরমসু মদুনা ওইরম্বা য়াই।

ওইনীংবা অমা ওইরসনু। থম্মোয়দা ফাওরিবা, থম্মোয়বু লাংতক্লহল্লিবা মতৌদুদি - মপুরোয়বনা হায়বা ইল্লবী থোৎ-মেঙলবী কনাগুম্বী অমনা মপুরোয়বগী খুয়াদা ফমদুনা অহিং -নুংথিল মিংশেন খাঙবগুম - এম জি রামচন্দ্রনগী মঙফমগী মচি অমদা নীংঙাইদনা ঈংনা চিক্লা য়াতারিবা অমমাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং লৈফমদু উরুবদগীনি।

মীওইবগী হৌনশা- অৱাবা উরবা ৱাবা, ফজবা, নুংঙাইবা উরগা হরাউ-তয়াম্বা। ঙসি অমুক নুংঙাইবা নুমিৎ হায়দু ওইরে। চেন্নাইগী মমিং চৎলবা গোল্ডন বিচতনি ঐখোয় ময়াম টুরিষ্ট বস অমা ৱায়রগা চৎলিবা। মেরিনা বিচতি ফজৈ হায়বগী ৱাতনি, মপূ পান্দ্রবগুম অমোৎ-অকায়না পুমচাই চাইনা লৈ। গোল্ডন বিচতি, ভি জি পি কৌবা লন্নাই ফার্ম অমনা এনিমেল কিংদম হায়না মীংথোন্দুনা চল্লাইবনিনা তরু-তনাল্লি। অঙাংশিংগী পার্ক, লৈকোল, রেষ্টুরেন্ট, খা ভারতকী মনাৎ চাওথোকনীংঙাই ওইরিবা খূৎনা হক্তুনা শাবা মীতমশিংদগী হেন্দোক্তুনা অরিবা নিংথৌ পাল্লিঙৈদা লৈরম্বা লানবনগী শক্তমশিং মশীং খঙনা লৈ। সমুদ্রগী ঈথক ঈপোমদি মেরিনা বিচতগী গোল্ডন বিচগী ঈথক ঈপোমনা য়াম্না কনবা হেল্লি। য়েংবা লাকপা, লমকোয়রকপা ময়ামবু সমুদ্রদা কুমথদনবা চেকশিন ৱা ইদুনা থেৎলি। হল্লকপদা লম্বীগী মতায়দা লৈরম্বা রেষ্টুরেন্ট অমদা লঞ্চ চাই। মমলদি - শা ঙা য়াওদবা নন লিমিটেট লঞ্চ পেক অমদা লুপা ১২০/-। ওক্ত্রিমখৈ চাবা য়াই মমলদুদা। অহাওবা চানীংবগী হৌনশা -ফিস ফ্রাই পিছ অমদা লুপা ১৫০ পীবদু পিছ মরি লৌরগা ঐখোয় মচেৎ মচেৎ চামিন্নে। পোল্লোই ফবা হায়বসি ইফদা ফৈ। ঐখোয় মী নিপানগী চেন্নাই খোঙচৎ লোইরদুনা তেক্তা-কায়দা, অনা অয়েক য়াওনদনা ইয়ূম-ইয়ূমদা য়ৌনরে। অদুবু মিৎসিদদি শং-শং উরি- অমমাগী মঙফমদা লৈহৌবা মাগী শুমহৎয়াই পুরবা ফোটো অনীদু, ঙসিসু লৈরমখিনিকো।

*-ৱাংখৈময়ূম নোদিয়া*